থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কোয়নবা নুপী কায়নহন্নবা লাইশোন



নুপী কোয়বা' হায়বা ৱাহৈ জুরা ওইনা শীজিন্নবা ৱাহৈসিগী ৱাহন, ইংলিসতা করম' পীগনি? 'ফোল্লিং ইন লব'- 'নুংশিনবা' হায়বদুগদি খেন্নে। 'চেজিং এ গর্ল/ৱুইমেন' হায়গদ্রা? মদুমকসু নত্তে। 'রোমা'দু ঐনা কোয়রম্মী হায়বসিগা, রোমাগা ঐগা নুংশিজৈ হায়বসিগা, অনী অসি মান্নদে। কুইরে, ৱারী-মচা অমখক ইংলিসতা ট্রান্সলেসন তৌনবা হোৎনরুবা হাক্তক্তা থেংনখিবা অৱাবা অদু নীংশিংলকই। পৎ-তৎনা, কায়ননি খন্দনা, কায়নবা ঙমদনা নুংশিনরল্লগা কায়নখিবা, য়াম্না কম্মন ওইরবা, হীর-রানঝা, সোহনি-মহিৱাল, হাওব-কোনু হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা পোপ্যুলার ওইরিবা থিম অদুনি। অনৌবা নত্তে। চহী তরেৎ-নিপান নুংশিনরল্লগা, শেন্নহৌদবা মীকুপ অমদা নুপী অদু অতোপ্পা নুপা অমদা লুহোংথোকখিবদা, ঙাওচৎনরকপা নুপা অমগী মওং মতৌ শৈথারকপা, মচাদুগীদমক ৱাজরবা মমানা তূম্বা-চাবা চঙদ্রবা মচানুপাদু সাইকিএট্রিষ্ট অমদা পুরকপা মতাং অমনি। ডোক্তরনা নুপামচাদু ঈংনা কাউন্সেল্লিং তৌরকপা মতাংদু'দা, ডোক্তরগী ৱাহৈ অমখক্তা জিরি-রি-রি নুংঙাইনা হল্লম্বা ট্রান্সলেসন'দু ব্রেক খংফা ফাখি।... 'নোকমি নোকমি তৌরগা ডোক্তরদুনা হায়রকখি- করিগীনো নঙনা নুপীবু অমখক্তং কোয়রিবদি, নুপী হায়বসিদি মঙা তরুক কোয়গদবনিনে- ডোক্তরদুনা অদুম হায়দোরক্কনি থাজখিদে'...। ৱারীমচাদুগী ৱাহৈ পরেং অদুনি। পাউদমসিগী অহৌবদা পঙ্গুরিবা ৱাহৈসিদনি পনখিবা। ইংরাজি লোনগী সাহিত্যদা থেংনবা ৱাহৈ খরদু শীজিন্নদুনা হনখ্রেদি হায়ববু অপেনবদি ওইখিদে। ঙসিসু অপেনবা ৱাহৈদু ফংদরি।

চহী মতাঙসিদা 'নুপী কোয়বা' হায়বা ৱাহৈ অসি নীংশিংলক্লিবা! মরুপ মপাংশিংনা তাবদা শোয়দনা নোক্লনিদি হায়ববু, তশেংনা থোকখিবা নোকনিংবা থৌদোক অমা নীংশিংলক্তুনা ইরিবনি।

ঙসি ইজরিবা পাউদম অসিগী থিম ওইবা ৱাহৈনি 'নুপী কোয়বা'। তশেংববুদি, অদুঙৈ, লমদম অসিদা য়ুমকোক, মীকোক য়ামদ্রিঙৈ চৎনবী ওইনা লৈরম্বা লৈশাবী লৈবা ইমুংদা পাখঙ ওইবা তম্ব-অমনা কোয়বা চৎলগা, 'নঙবু ঐনা খোয়দারে' হায়বা ইঙ্গিৎ উৎলুবা, নুজা ওইবী মানসু মীৎয়েং-নায়েং, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, ইঙ্গিৎ-ঈরাংনা 'ঐনসু নঙবু খোয়দারে', নৎত্রগা 'পায়মা ঐনা খোয়দাদে, অমুক হন্না লাক্লনু' হায়বা পাউজেল পীনরিঙৈ মতমদুদা হৌদোকখিবা ৱাহৈ-ৱাপানি। চৎনবী অদু মাঙখ্রসু, থম্মোয় অমনা অতোপ্পা থম্মোয় অমদা পাউজেল থাবই চৎনবীদুদি মখা অদুম চখহৌখি। খুৎফোংদোক খেন্নবতনি, ইহুলদুদি অমত্তনি। থম্মোয়গী নুংশিবা ফোঙবনি। থম্মোয়না থম্মোয়বু কাইহৌবনি। থম্মোয় মশেল পাউ ফাওনরবা তুংদনি, নুপীদু নুপাদুনা কোয়রে, নুপীদুনসু য়ারে, 'নুংশিনরে' নৎত্রগা 'কোয়নরে' হায়বা চীন্থোক অমা থোরক্লিবা। নুপাদুগী এপ্রোচ অদু নুপীদুনা রেসিপ্রোকেত তৌদ্রিমখৈদি, মখোয় অনী কোয়নরে হায়নদে। 'কোয়নবা' হায়বা ৱাহৈসি 'নুংশিনব'গী অতোপ্পা ৱাহৈ অমনি। লম কোয়বা, নুপী কোয়বা অনী অসি মান্নদে। ঙসি ঐনা তমজগদৌরিবা পাউদমসি ৱাহৈসিগী অতোপ্পা অস্পেক্ত অদুনি। ময়ুম পান্দ্রিবা/পাখঙ ওইরিবা নুপাশিংনা শীজিন্নবা, অমদি মতু-মচা লৈরবা নুপাশিংনা শীজিন্নবা, ৱাহৈসিগী ইমপ্লিকেসন মান্নদে। অহানবগীসিদনা রোমান্টিসিজমনি, অকোনবগীসিদনা ইরোতিসিজমনি। পাখঙশিংনা শীজিন্নবদনা লেমজনিংঙাই মশকনি, ময়ুম পাল্লবা নুপাশিংনা শীজিন্নরগা নুপাদুবু তুক্কচ্চনা য়েংনবা। নুপীশিংনা পামদবা ৱাহৈ ওইরসু নুপা মশেল মরক্তদি ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা ঙম্বা মীশক্তু মতিক লৈবা, তৌবা ঙম্বা মীশক অমগুম লৌনৈ। গভর্ণমেন্টকী অচৌ-অচৌবা ওফিসর, এঞ্জিনিয়র, মিনিষ্টরশিংতনা তৌবা ঙম্বা থোইদোকপা মগুন অমনি হায়নরিবা ক্বালিটিনি। অসিগুম্বা অখন্নবা মীওইবগী ক্বালিটি অসিবু ময়ায় চমহনবা ঙম্বা মীওইবা খরসু লৈ-নুপীশিংনা থাজজৈ।

অদুগুম্বা মরাসি চেনবা, 'নুপী কোয়বা' হায়বসি নুপাশিংগী পুন্সিরোল অমনি খনজবা, লৈমিন্নরিবা ইমুং-মনুংগী মীরোলশিংগা লৈনবা মরী (রিলেসনশিপ) দা অকায়বদি পীদবা, ইমোসনেল ওইবা ইস্যু অমদি কৈদৌনুংদা ওইহনদবা, ঐগী মরুপ ওফিসর অমনা লীরকপা নুংঙাইরবা এক্সপরিয়েন্স অমগী ৱারী অমা লৈ। ৱারী অসি মহাক'খক্কী নত্তে, কম্মন ওইরবা ৱারীনি, মীয়ামদা সেয়র তৌবা কান্ননি খন্না লীথোকচবনি। হাইফেৎ মান্নবা থৌদোক অমসু ইশামক্তা থোকখিবা লৈ। মাগী মতৌ, থৌদোক-ৱাথোক, মাগী নুপীনা চিংননিংঙাই থৌদোক খরা থোকখ্রবা তুং, রেসমিগী (অশেংবা মমিং নত্তে) মতাংদদি মাগী নুপীনা তশেংনা চিংনরে। মানা থিংজিনহৌদ্রবা, ৱা অসি কায়রকপা তারে খন্দুনা মপুরোইববু কুপশেন শেন্নরে। অরোনবা টেলিফোন কোল, অতেনবা পাউজেল (এস এম এস) অমদি হ্বাটচএপ মেসেজ কয়া ত্রেক তৌরে। চপ-চাবা, থাজবা য়াবা প্রমান ফংল'সু নোংমতা ইশৌ লাংখিদে, ইমুংদা ঈরাং হৌখিদে। মণিপুরগী মফম কদায়দা অহৈবা মাইবা লৈবগে- থিজিনবদি লেপখিদে। মরুপ-মপাং-মতারোয়শিংগী রিপোর্ট তারগা কাইনথংদা ৱারেপলে- লম খরা থাপ্ল'সু মমিং চৎপা ওজা মাইবা নিংথেমতোন'না ফরনি। মানবু লাই খুরুম্বীখ্রবা খুদক্তা সিদ্ধ পাল্লি হায়, নুপীদুগী মমিংফাও পনবা য়াদ শাউনিংহল্লি। তৌবতবু অৱামনদি খরা চাওই হায়।... কয়াম চাওনা লৌনে'গে, লৌনিংমখৈ লৌসনু রেসমিগী মমিংবু কাউহন্নি হায়রবা, ময়ুমফাওবা শাবীগে... অহিং খুদিং লেপ্তুনা 'য়ে রেসমি জুলফে' থারগা তুল্লিবদো- মদুতং উহনবীগনু...।

মপুরোইবগা লুনা তিন্নবা তাজিবোন'দা কুপ্লা শীন্নরে- তাঙনা-ৱানা থিরুবা হৈরম কয়া লৈরম কয়া শোর থিংলগা হেক্লুবা, চেঙ-থোইদিং-পান তাঙ্গ, তাঙলবা লাইগী ফি, সনা চংনিং অহুম, খুনু অমুবী...পুন্নমকসিগী মথক্তা রেসমি'না মশা পক্ল ইনবা ফি (ফুরিৎ-ফনেক-ফি) অমগা। মদুদি কদায়দৈ লৌরুনি। হোৎনবা য়াবা হোৎনরগা ফংদদুনা মানা পায়রম্বা রুমালনা মহুৎ শিনখি হায়।

মাগী নুপীনা মাগীদমক খনজবা, কয়াম ৱাজবা... মরুপ্তুনা শাউদনা জিবোননসু ফনা কন্না ৱানা হোৎনজবজাৎনি, লাইশোনদুদা মশা য়াওদবনা। পুং অমা কল্লপ শোনবা লাইশোনদু লোইরগা খুনু অমুবীদু থৌরবা অমনা মখোঙ অনীদু হিংনা তংখায় তাহল্লগা, মখোয় ময়ুম য়ৌরমদাই তুরেলদুগী থোংয়ায়দুদা য়েৎ-ওইদা নাম-নাম লংথোক্লম্বা। লুরবা থৌদাংদু পাঙথোক্লুবা নুমীৎতুগী নোং হেক ঙানবদা রেসমিনা ফোন তৌরক্তুনা উন্নবা চৎলমদাইদুদা জিবোন'দা হায়রকপজাৎনি মরুপ্তুনা 'মরুপ, নঙগী লুপা লিশিং তরাদু পাম্মুখ্রেদা'!

জিবোন্না হায়, 'কায়ননবা খুরুমহল্লগা উন্নহন্নবা খুরুম্বীখ্রমাল্লে'।

লৌশিং পুক্কে

# নুংশিৎ মোৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং হার্ট এটেক রিস্ক মায়োক্নে

মতম চুপ্পা নুংশিৎ মোৎতুনা লৈবা মরম্না লম্বী মপাল নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিয়ল এরিয়াদা য়ুম শাদুনা লৈবা মীওইশিং কেন্সর, হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমদি অজমাটিক ব্রোঙ্কাইটিসকী রিস্ক মায়োক্নে। তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী মালে-মদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা ঈশিং-নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিশিংগী মনুংদা দিল্লিসু অমনি। দিল্লিদা হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমদি লৈচিল থাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা সুপ্রীম কোর্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রে। নবেম্বর ৮ দা ইনভাইরোনমেন্ট পোল্যুসন (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল) ওথোরিটিনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হিয়ারিং চখরবা মতুংদা চীফ জষ্টিস টি এস থাকুরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, দিল্লিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে। থৌওং অসিবু পব্লিক হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি ওইনা লৌবগা লোয়ননা খুদক্তা সেন্টরনা দিজাষ্টর রেস্পোন্স মেকানিজম অমা পুথোক্তুনা এয়র পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি) না দিল্লি, পঞ্জাব অমদি হরিয়ানা গভর্ণমেন্টপু এয়র পোল্যুসনগী চাং হেনগৎহনবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। এন জি টিনা হায়খি, কেপিটেল সিটিদা মখা তানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপা য়ারোই। রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমদি দিল্লিদা মহৈ-মরোং লোকখ্রবা মতুংদা লৌবুক্তা মৈ থাবগী থৌওং চখবা য়ারোই। ষ্টোন ক্রেশর শীজিন্নবা য়ারোই অমসুং অমোৎ অকায় পৈশিল্লগা মৈ থাবগী থৌওং চখবা থিংলে। অথুবা মতমদা রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমদি দিল্লিনা চীফ সেক্রেটরি থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা এয়র পোল্যুসন কোকহন্নবগী মতাংদা সোল্যুসন পুথোক্লুবা হোৎনগদবনি হায়নসু এন জি টিনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা হৌজিকসু এয়র পোল্যুসনগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ড (সী পি সী বি) না ফোঙদোকখি। দিৱালি কুক্ষে লোইখ্রবা মতুংদা কা হেন্না নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী গুরগাওদা মহৈরোয়শিং ক্লাসরুমদা মাস্ক উপ্পগা লাইরিক তম্বগী ফীভমদা লৈরে।

মহৈরোয় অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী নিংশা শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা মীৎ হাকৎচবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে হায়রি।

দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ময়েক শেংনা উবা ফংলক্তবা মরম্না হৌখিবা নবেম্বর ৬ তা নুমীৎ হুম্নী স্কুল ছুটি থারগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লাউথোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, দিল্লিদা য়ুম শাবা অমসুং শিদোকপগী থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই। হোস্পিটাল অমদি অতৈ তঙাইফদবা মফম খরখক নত্তনা দিজল জেনরেটর সেট শীজিন্নবা য়াররোই। নবেম্বর ১০ দগী লম্বী পুন্নমক ৱাই শিৎপগী মহুত্তা ভেক্যুম ক্লিনিং তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বনা অমোৎ অকায় পৈশিল্লগা মৈ থারম্বা থেংনরবদি অকনবা চৈরাক পীগনি হায়না লাউথোকখি।

নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা বদরপুর প্লান্ট থোঙ লোনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ওদ-ইভন স্কিম অমুক হন্না চৎনহল্লগনি হায়রি। খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াবা মরম্না চহী নৌরিবা অঙাং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং হার্ট নৎত্রগা লংসকী লায়না লৈবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ ইমুংদগী মপান থোক্লোইদবনি হায়নসু কেজ্রিৱালনা লাউথোকখি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্টনা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং খুদক্তা লৌখৎকদবনি হায়না জন্তর মন্তরদা খোঙজং চঙশিনখি। চহী ১৭ কী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী মীয়াম্না এয়র পোল্যুসনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এয়র মাস্ক লৈনখিবনা দুকান অয়াম্বদা মাস্ক অমত্তা লৈহৌদ্রে হায়রি।

দিৱালি কুক্ষে মতুং তারকপদা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী হেল্‌ঠ এক্সপার্ট-শিংনা চেকশিন-ৱারোল পীরদুনা হায়খি, কনাগুম্বনা মশা-মউ ফনা লৈনিংবা তারবদি মতম খরা দিল্লিদগী লাপ্পা অতোপ্পা মফম অমদা লৈরুগদবনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা ফীভম ফগৎলকপগী মমি উদবা মরম্না য়ুমথোঙ খুদিংদা এয়র প্যুরিফায়র শীজিন্নগদবনি অমসুং চৎথোকপদা অফবা মখলগী ফেস মাস্ক অমা উপকদবনি হায়নসু হেল্‌ঠ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি।

নুংশিৎতা য়াওবা কেমিকেল অমসুং ফৎতবা টোক্সিননা মমাগী পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অমসুং পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদা দাইবেটিস, কেন্সর অমসুং অতৈ লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই হায়রি। মেটাবোলিজম মপুং ফাদ্রিবা অঙাংশিংদা এয়র পোল্যুসননা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপগা লোয়ননা তুংগী পুন্সিদা অজমা ওইহল্লকপা য়াই।

চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না মীওইবগী রেস্পিরেটরি সিষ্টেম, ইম্মুন সিষ্টেম অমসুং অতৈ কয়াৎশিং মথৌ হন্থরকই। মরম অদুনা অহলশিংদা এয়র পোল্যুসন্না হার্ট অমদি লংসকী লায়না ওইহল্লকপা য়াই।



# চীফ মিনিষ্টরগী এ সী ওইরিবা কোন্থা অহল্লুপ্তা লম্বী শেম্বীদবদগী মীয়াম্না মতম কক্তনা লম্বী থিংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সঙাকফমদগী কোন্থা অহল্লুপ ফাওবগী লম্বী অসি শেম্বীদে হায়দুনা ঙসি মফম অদুগী মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিংবা হৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদগী কোন্থা অহল্লুপ সোসল ৱেলফেয়র ক্লব অমদি কোন্থা অহল্লুপ মৈরা পায়বী লুপকা পুন্না খুৎশম্নরগা লম্বী থিংবগী থবক অদু চখখিবনি। কোন্থা অহল্লুপ সোসল ৱেলফেয়র ক্লবকী সেক্রেটরি রাকেশ অশাংবম্না ফোঙদোরকপদা, সঙাকফমদগী কোন্থা অহল্লুপ ফাওবা কিলোমিটর অনীরোম শাংবা লম্বী অসি কুমজা ২০১১ দগী ঙসি ফাওবা শেম্বীদনা লৈরি।

লম্বী অসিগী মফম কয়াদা হৌজিক পোটহোল কয়া লৈরি। মমাং চহীদা মীয়াম্না খোঙজং চখগে তৌবদা লৈঙাক্লা লম্বী অকায়বা অমদি কোমশিং লৈবা অদু খরদি মেনশিল্লম্মী অদুবু হৌজিক হান্নগী ফিভমদা অমুক লম্বীসি খম থেংনা ফৎত্রে হায়রি।

লম্বী অসিদা কোন্থা অহল্লুপ, হৈঙাং অমদি কাইরাং খুনগী মীয়ামসু চৎনরিবনি। অদুবু মতম শাংনা লম্বী অসি লৈঙাক্লা শেম্বীদনা লৈবদগী মীয়াম্না লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি পামদ পামদনা চখরকখিবনি।

মরম অদুনা সঙাকফমদগী কোন্থা অহল্লুপ ফাওবগী কিলোমিটর অনীরোম শাংবা লম্বী অসি ৱাক্স মিনিষ্টর অমদি পি দব্লিউ দিগী মকোক থোংবা চীফ এঞ্জিনিয়রনা অতেনবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

# ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস): খাঙবোক্তা লৈবা ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুল লীংখৎখিবগী ২১শুবা মপোক কুমওন ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোক্তুনা স্কুল অসিগী অফবা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা চরাংপাৎ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ফৈরোইজম হেরামনি, স্কুলগী গর্ভনিং বোদিগী চেয়রমেন লাইশ্রম রামেশ্বর, খাঙবোক জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কেঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট ৱানগী প্রধান নিংথৌজম মালা, খাঙবোক পার্ট থ্রি জি পিগী এল মঙলেমজাওনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা জগোয় ঈশৈনচিংবা পাঙথোকপগা লোয়ননা স্কুল অসিগী ক্লাস খুদিংমক্কী অফবা মহৈরোয়শিং অমদি হন্দক চহীগী মেট্রিক ইগজামদা খ্বায়দগী মার্ক ৱাংনা ফঙখিবা মহৈরোয়শিং অমদি অফবা মহৈরোয়শিং পুথোকখিবা ওজাশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।










